# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লৈমকোল খোর্জেইকোলনা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মহারাজকুমারি বিনোদিনিগী ১০৪শুবা কুমওন থৌরমদা লৈকোলগী জর্নেল অমা রিলিজ তৌখিবা


লৌশিং পূক্কে : মীরোল্লিঙৈদা ব্লদ সুগর... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ তোম্বগী লাইবকসিদদি ... উম

মণিপুরদা লাংথ্রে পাম্বী মখল তরেৎ - ১ ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুরগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা মহেশ্বর...

ওপোজিশনগী খোঙজং, সস্পেন্সননা বডজেট সেসনগী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ হৌদোকপা...


সী আর পি এফনা শীন্দুনা তাকয়েলগী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা ১৬শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬তা আই জি পি, আর এন দাসনা মনোরঞ্জনগী অপোকপীদা এৱার্দ খুৎশিন্নবা




Vol. 50, Issue No. 300 | থাংজ, ফাইরেনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, February 07, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## হোম মিনিষ্ট্রিনা মণিপুর হোম গার্দস ভোলন্টিয়রশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবা পীরকখিবা চেরোল চহী ২ রোম নমশিল্লক্লব্রা

### চীফ সেক্রেটরিদা 'এপ্রোপ্রিএট এক্সন' লৌখৎনবা পীরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না থবক লৌখৎলব্রা অমসুং চেরোল অদুগী 'ষ্টেটস রিপোর্ট' পীবিয়ু হায়না চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** লোনা য়াদবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন কয়ানা ওপরেট তৌবা ষ্টেট অমা ওইবদা নত্তনা পীকচরবসু মখল কয়াগী থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্লিবা মণিপুরদা লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা সিভিল পুলিসকুম্না পুং ২৪ মথৌ পাঙথোরক্লিবা মণিপুর হোম গার্দসকী ভোলন্টিয়রশিংগী মশীং লৈঙাক্না এপ্রুভ তৌরবা ষ্ট্রেঙথ ৬৭০দগী ২০০০দা হেনগৎহনবীনবা হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগীদমক্তা হোৎনরক্লিবা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনন্না এম ঐচ এদা পীশিনখিবা চেরোলগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রি অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিদা 'এপ্রোপ্রিএট এক্সন' লৌখৎনবা অইবা চেরোল পীরকখ্রবসু চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা নমশিন্দুনা থল্লব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

অইবা চেরোল অদু এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা এপ্রিল ২৪,২০২৪দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ-ইষ্ট) অমসুং মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা লৈরিবা দিরেক্টর জেনরেল (ফায়র সর্ভিসেস, সিভিল দিফেন্স অমসুং হোম গার্দ) দা পীশিনখিবনি।

অইবা চেরোল অদুনা মিনিষ্ট্রিদা হায়জখিবা ৱাফমশিংদি মণিপুরদা লৈবা এপ্রুভ তৌরবা হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগী মশীং ৬৭০দগী ২০০০দা হেনগৎহনবীয়ু। মণিপুরদা দিপ্লোই তৌবা হোম গার্দশিংগী এক্সপেন্দিচর মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা রিএম্বর্স তৌনবা খন্নবীয়ু অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী

...মখা লমায় ৩ কলম ২

### 'পরিক্ষা পে চড়চা'গী ৯শুবা এদিশনদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা শরুক য়াখ্রে

## পাউমীশিংনা ৱাহং কয়া হংলবসু চীফ মিনিষ্টরনা 'নো কম্মেন্ট' হায়বদগী হেন্না পাউখুম পীরমদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০১৮দগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংগা ইন্টরেক্সন পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংনা এগজামিনেশনদা শরুক য়াবদা ফাওবা অকিবা হন্থহন্নবগীদমক চথরক্লিবা 'পরিক্ষা পে চড়চা-২০২৬'কী ৯লক শুবা এদিশনদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোসি দিখো, কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং খুরাইজম লোকেন য়াওনা এম এল এ, টি রোবিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনীট কুমার গোয়ল, লৈঙাক্কী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিশলশিং, স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙ অমসুং সমগ্রা সিক্ষাগী ওফিশলশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং য়াওনা মীয়াম্না শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অসি ন্যু দেল্লীদগী লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা লৈবাক অসিগী মফমশিংসু কোনশিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মণিপুরগী ওইনা অয়ূক পুং ১০ তারকপদগী ৱাঙ্খে কৈথেল অশাংবীদা লৈবা ৱাঙ্খে হায় স্কুলদা পাঙথোকখি।



থৌরমগী মনুং চন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংগা মখোয়না বোর্দনা লৌবা য়াওনা কম্পিটিটিভ এগজামিনেশনশিংদা শরুক য়াবদা করি-করম্বা থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শানখি।

ঙসিগী থৌরমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নৌনা ঈরাং অমুক থোরক্লিবসি মণিপুরবু চরাংনবা ফীভমদা থম্বা পাম্বা মীওইশিংননি : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা কন্সটিট্যুশনেল ভেল্যুশিং ঙাক্না থম্বা অমদি দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুশনশিংগী ওটোনোমি ঙাক্না থবক তৌবা তঙাইফদে হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।



ঈং-তপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরকপা পামদবা মীওইশিংনি। মণিপুরবু চরাংনবা ফীভম অমদা অদুমক থম্বা পাম্বা মীওইশিং অসি হেক্তা পাত্তক্ল না লৈবদি নত্তে অদুবু অকক্লবা মফমশিংদা ওইনা লৈরি। মখোয়না ঈরাং অসি হেক হৌরকপদগী অদুমক এক্তিভ ওইদুনা লাক্লি অমদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা য়েখাই থুগাইবা পীদুনা লাক্লি হায়খি।

মহাক্না হায়, হন্দক ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেম্বা লৈঙাক অমা অমুক লৈরকপসিদা সেন্টরনসু থম্মোয় শেংনা লৈঙাক অসি নীংথিনা মপূং ফানা চলাইবা ঙম্নবা মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকফম থোকই। মণিপুরদা ঈরাং অমুক নৌনা থোরক্লিবা অসি ষ্টেট অসিবু চরাংনবা ফীভমদা থম্বা পাম্বা মীওইশিংনা থোকহনবনি। মীওশিং অসি ষ্টেট অসিদা থোকপা ঈরাং অসিগী

মখা তানা য়ান্নদবা-নুংঙাইনদবা কয়া লৈরবদি দাইলোগ অমদি কন্সটিট্যুশনন্না য়াবা মওংদা করিনো হায়বা তান্নদুনা সোল্যুশন পুরক্লবা হোৎনগদবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু থম্মোয় শেংনা ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা মণিপুরগী ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

## অনৌবা লৈঙাক্তা য়াওবগী মায়োক্তা কুকি-জোশিংগী খোঙজং কনশিল্লক্লি নেমচা কিপগেন, খৌতে ১সুং ঙুরসাংলুরগী মিতমশিং মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪গী নুমিদাংৱাইরমদা ৱাই খেমচান্দবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবদা কাংপোকপীগী এম এল এ নেমচা কিপগেনবুসু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা অমসুং থৌরম অদুদা কুকি-জোগী এম এল এশিং - এল এম খৌতে অমসুং ঙুরসাংলুর সনাতেনা লোক ভবনদা লাক্তুনা শরুক য়াখিববু য়ানীংদবা



ফোঙদোকপগী খোঙজংশিং নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদগী হৌনা দেল্লীগী মণিপুর ভবন অমসুং কুকি-জোনা নম্না তাবা মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা চঙশিল্লক্লিবসি হেন্না কনশিল্লক্লে।

খোঙজং অসিগী মখা তারকপদা ঙসিসু মোরে, চুড়াচান্দপুর অমসুং সাইকুল এরিয়াদা তোঙান-তোঙানবা কুকি-জোগী মহৈরোয়শিংগী লূপ, নুপীশিংগী হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ য়াওনা আই টি এল এফনচিংবনা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা য়ানীংদবা অচৌবা খোঙচৎশিং চৎখিবগা লোয়ননা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, এম এল এশিংদা এল এম খৌতে অমসুং ঙুরসাংলুর সনাতেগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নোর্থ-ইষ্টতা অহানবা ওইনা সঞ্জেনথোংদগী থুম্বুথোং ফাওবগী লম্বী এফ দি আরগী খূৎথাংদা শেম্বা হৌরে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা সঞ্জেনথোংদগী থুম্বুথোং ফাওবগী মহাবলি লম্বীবু ফুল দিপার্টমেন্ট রিক্লেমেশন (এফ দি আর) গী খূৎথাংদা ঙসিদগী শেম্বা হৌখ্রে।

এফ দি আরগী লম্বী খূৎশেম অসি ইনভাইরনমেন্ট ফ্রেন্দলি ওইবগী মথক্তা লম্বীগী অৱাংবা হেনগৎহন্দে অমদি হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা নমথবগী চাং হন্থহল্লি হায়না থবক অসিবু শুবা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## পোঞ্জি স্কিম অমগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকী ষ্টেটস রিপোর্ট কম্মিশনদা পীরক্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** মীওই ৪৭তগী লুপা ১,৭২,৯১,৪০০গী শেনফম নমথাক তৌদুনা থাজহল্লগা লৌখৎখিবদা নত্তনা অতোপ্পা মীওই খরদগীসু খোমগৎখি হায়বগী ৱাকৎ অমা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনদা ফাইল তৌদুনা সেপ্টেম্বর ৪, ২০২৫দা কেস অমা লৌখৎখ্রবসু মসিগী চথফম থোকপা ইনভেষ্টিগেশন অমসুং মীফা-মীপুনগী থবকশিং তৌবীদ্রে হায়দুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা ৱাকৎলকপদগী কম্মিশনন্না মমাঙ থাগী ২৭তা খঙহনখিবগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী ষ্টেটস রিপোর্ট ঙরাং কম্মিশনদা পীরক্লে হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী পীরকখিবা ষ্টেটস রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস এফ আই আর নম্বর ৩০৭(৯) ২০২৫ লৌখৎলে অদুগা কেস অসিদা এক্যুজশিং ওইনা চার্জ তৌরিবনা ক্লাকৈথেল শোইবম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এদভাইজরি কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অহল ইবুংঙো ৱাহেংবম ইঙো এলিয়জ লুৱাং লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ : মণিপুর)গী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমদা এদভাইজরি কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অহল ইবুংঙো ৱাহেংবম ইঙো এলিয়জ লুৱাং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২, ২০২৬, নুমিৎ অসিদা পার্টি অসিগী এদভাইজরি কম্মিটিগী প্রসিন্টে অহল ইবুংঙো রিটাইয়র্দ প্রোফেসর ৱাহেংবম ইঙো এলিয়জ লুৱাং মৈতৈ, মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা য়ু এন এল এফনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি অমসুং লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

প্রোফেসর দল্লিয়ু ইঙো কুমজা ১৯৪৮-গী নবেম্বর ৫দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাহেংবম লৈকায় (ৱাহেং লৈকায়) দা ৱাহেংবম ইবোমচা মৈতৈ অমদি ৱাহেংবম ওংবী মেধাবতি অনীগী মপারি ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

## মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্তা পাঙলগী এম এল এ অমবু মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থল্লুরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংদুনা শেল্লক্লিবা এন দি এগী অনৌবা লৈঙাকসিদা পাঙল কম্যুনিটিগী এম এল এশিংগী মনুংদগী অমবু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেশন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) গী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল হাট্টা গোলাপতিদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী লমদমসিদা থোরক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মহারাজকুমারি বিনোদিনিগী ১০৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবী অমা ওইবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী অহানবা বি এ পাস তৌখিবী নুপী অমসু ওইখিবী মহারাজকুমারি বিনোদিনিগী ১০৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী ওদিটোরিয়মদা লৈমকোল খোর্জেইকোল (লৈকোল) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### উরিপোক্তা য়ূম মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৯ খরা হেল্লকপদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা অরিবম অজিৎ (৬১) গী য়ূমগী সেকেন্দ ফ্লোরদা মৈ চাল্লকপদগী ফায়র সর্ভিসনা মিনট ১০গী মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা মূথৎখি।

অদুম ওইনমক মতৌ করম্না হৌরকপনো খঙহৌদ্রবা মৈ অসিনা শেল য়াওনা লুপা লাখ ১০ রোমগী পোৎ চৈশিং চাকখ্রে হায়রি।

### য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দগী সাপম ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌবা হৌগৎলকপদা ঐবু পোকপা ইপাসু গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে : সোফিয়া

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়দগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

মুতুম সোফিয়া (২১) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐবু পোকপা ইপাবুংনা গাড়ী এক্সিদেন্টদা লৈখিদবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কনানসু হংবা লাকপীখিদে অদুবু দ্রাইভর য়ুনিয়নন্না হোৎনবীদুনা ইন্সুরেন্স কম্পনিদগীনি হায়, চপ চাবদি খঙদে। মখোয়গী মায়কৈদগী শেলখরদি ফংখি। শেলশিং অদুনা ঐগী অপোকপগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মতেং ওইনখি।

হান্না লান অসি হৌরক্লিঙৈ অমসুং ইশাগী য়ূম মৈ থাদোক্লিঙৈ মতমদদি তল্লিবা ইহৈদা পূক্লিং ৱাখল চঙনা নীংথিজনা তমজরম্মী। লাইরিক তমদুনা মহয় চানবা হোৎনরগা লৈখিদ্রবা ইপানা য়াম্না ৱানা শেল তানবা চৎলিবা অসি পোথাহল্লগা ঐহাক্না য়ূমগী অৱাৎ অপা মেনশিন্দুনা ইমা অমসুং ইপাগী মনীং থুংহনগে খঞ্জরম্বনি। অদুবু লান হৌরক্তুনা ইশাগী য়ূম মৈ থাদোকখিবা মীকুপ্তুগী অমসুং থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেন্নরকপদগী তল্লিবা ইহে অসি ফাওবা মপূং ফাগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং ইথন্তা হংজরকখি। অসুম্না চমন্না লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ঐবু পোকপীরম্বা ইপাবুং লৈখিদবনি।

অদুবু লাইবক ফবা অমনা এদমিশন ফীনচিংবদি ফ্রী ওইবীখিবদগী খরদি শাফরে। অদুমকপু অমুকসু লাইরিক তল্লগা মহয় চাদুনা ইপাবু নুংঙাইনা থমজগে খনবা ৱাখল অদুমদি লান অসিনা মরম ওইরগা কায়রে। করিগুম্বা লান অসি থোক্লমদ্রবদি ঐহাক্কী পাবুংসু ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরমখিগনি হায়না থম্মোয় শোক্লা পাউদল্লকখি।

সোফিয়ানা মখা তানা হায়, হৌজিকসু ইমুংগী মীওইনশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈরগা ঐহাক্না য়ুনিভর্সিটিগী হোষ্টেলদা লৈরিবনি। মরম অসিনা আই দি পিশিংগী য়েংবীরগা য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংবীরি। মসিগী খল্লুরবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিদা য়াম্না থাগৎচনীংই হায়রকখি। অদুবু অসুম্না অদুমক রিলিফ কেম্পতা মখা তানা লৈবদি পামদ্রে। তল্লিবা মাষ্টর অসি লোইরগা লাইরিক তম্বা লোইরে হায়দুনা হরাও-হরাও ইশাগী য়ূমদা লৈবা ফংগদবসু নৎত্রে। লাইরিক তম্বা লোইরে হরায়দুনা হোষ্টেল থাদোক্লগা য়ূমদা হল্লগনি হায়বগী নুংঙাইবদু ঐঙোন্দদি ফাওদ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## হৌজিক মীয়াম্না 'মীতৈ ঈশৈ' পাম্নরক্লবসু 'খুনুং ঈশৈ' গী শৈশক্না অমুক্কা হেন্না পাম্নে

নোমিতা খোংবান্তাবম



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মীয়াম্না 'মীতৈ ঈশৈ' পাম্ন রক্লবসু মসিগী মনুংদা 'খুনুং ঈশৈ' গী শৈশক্তা শক-শোনবনা হেন্না পাম্নরক্লে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) দা এফিলিএশন তৌদুনা বিষ্ণুপুরদা লৈবা বিষ্ণু আর্ট এন্দ কলচর রিসর্চ এন্দ ত্রেনিং সেন্টরদা লাই হরাওবা অমসুং রাসগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা লাইশ্রম শান্তি (পরৈ) না ফোঙদোরক্লি।

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অসি হৈঙাং মখা লৈকায়দগীনি। অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মিংনা লাইশ্রম তোলমু মৈতৈ অমসুং মনি লৈমা কৌই। মহাক্না হায়, মতম খরগী মমাঙদদি থৌরমশিংদা মীতৈ ঈশৈ হায়দুনা শক্ন-শোন্নরম্বসি অয়াম্বনা গৌড়গী ঈশৈগী শৈহেক-শৈদাদা তৌনরম্বনি। অদুবু অহোংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১ মখায় হেন্না ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কার (এ ষ্টার) য়ু পি-৩২/ দি এস-২৮৫১ অমা লিলোং আলিয়া লমখায়দা চেক তৌবদা এম দি অবাস অহম্মদ (৪২) কৌবা মীওই অমা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১.৫৪৩গা কার অসিগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ঙসি উখ্রুল পি এসকী সিহাই হিল রেঞ্জগী একর ৮০ পাকপা মফমদা থারম্বা অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ফাইবুং পি এসনা কোনবা লখমাই চীংগী একর অহুমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখিবগা লোয়ননা মফম অনীসিদা শারম্বা পূম্না লৌশঙ ১৩বুসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫